**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 17-11-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৭-১১-২০২৫, নিংথৌকাবা)**

----

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা এরিয়া দোমিনেসন তৌবা, চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্নবগী থবক চথবা অমসুং নমদুনা শেল খাইবা অমদি আইননা য়াদবা থবকশিংদা চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎপগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়-রাজ্য পুলিস, সি.আর.পি.এফ অমসুং অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্টকী শগোলবন্দ নেপ্রা মেনজোর লৈকাইদা লৈবা ভারাগী য়ুম অমদগী মশানা মশাবু আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মেজরনি হায়জবা মীওই অমা ফারে। মহাক কুমজা ২০১৭ তা শজিক তম্পাক্তা ৪ শুবা অসাম রাইফলসকী কাংবু অমদা লুমদুনা লান্দবগী থবক্তা চেন্নবগীদমক ৱান্তেদ লাউথোকখ্রবা মীওইনি হায়রি। মহাকা হায়দোরকপদগী ককচিং জিলাগী খরুংপাৎতা লৈবা ফার্ম অমদা প্লাস্তিক দ্রম অমদা লোৎতুনা থল্লম্বা য়াম্লবা খূৎশু খূৎলাইশিং ফাগৎলে। খূৎলাইশিং অদুগী মনুংদা- এম.সিক্সতিন রাইফল ১, এস.এল.আর রাইফল ৮, থ্রি নোট থ্রি এল.এম.জি ১, থ্রি নোট থ্রি রাইফল ২, এস.এল.আরগী মেগজিন ৩২, সেভেন পোইন্ট সিক্সতি টু এল.এম.জিগী মেগজিন ৪, থ্রি নোট থ্রিগী মেগজিন ৩, থ্রি নোট থ্রি এল.এম.জিগী মেগজিন ৬, এম.সিক্সতিনগী মেগজিন ৩, ইন্সাসকী মেগজিন ৪, টু ইঞ্চ মোর্তার ৩, আই.ঈ.দি ২, দিতোনেতর ১, রিমোট ১, ইলেক্ত্রিক্ট সরক্যুইট ২ য়াওনা নোংমৈ মরু কয়ামরুম ফংলে।

য়ু.এন.এল.এফ(পি)গী মীওই অমসু ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্টকী পাৎশোই পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা খুম্বোং অৱাং লৈকাইদা লৈবা মশাগী য়ুমদগী

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। মহাক ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা দ্রাইভরশিংদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লাইরেন শজিক মমাঙ লৈকাইদা লৈবা মশাগী য়ুমদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা প্রিপাক(প্রো)গী মীওই অমসু ফারে। মহাক নমদুনা শেল খাইবগী থবকশিং অমসুং নুপীগা মরী লৈনবা কেসশিং আইননা য়াদবা মওংদা ৱায়েনবগী থবক্তা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

অমরোমদা, থা অসিগী ১৪ দগী ১৫ ফাওবা সেনাপতি জিলাগী কাংজাং চীংশাংদা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং মণিপুর পুলিসনা য়াম্নৎতুনা মাংহনখ্রে হায়রি। পোপী পাম্বীশিং অদু চাউরাকা লম একর ১০ রোমদা থারম্বনি হায়রি। মফম অদুদা শারম্বা লৌতাংশঙ অহুমসু মৈ থাদুনা মাংহনখ্রে।

**উখ্রুল (এল)ঃ** নিংথম থা চংলকপগা লোয়ননা মণিপুরদা হংবগী চাং তপা তপা হেনগৎলক্লি। রাজ্যগী এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটনা থাদোরকপা ঙরাংগী ওইবা অইং অশাগী পাউদা হায়-সেনাপতি জিলাদা ইংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৭.৫ য়ৌরে, উখ্রুল জিলাদনা ইংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৮.২৫ য়ৌখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং কাংপোকপীদা সেলসিয়স দিগ্রি ১০, ইম্ফাল ইষ্টতা সেলসিয়স দিগ্রি ১১.৪৬, বিষ্ণুপুর, নোনে অমসুং চুরাচান্দপুরদা সেলসিয়স দিগ্রি ১২গী চাংদা ইংবা হৌরে।

রাজ্য অসিগী খ্বাইদগী ইংবা জিলা অমনি হায়নরিবা উখ্রুল জিলাদসু হৌজিক য়ামা ইংবা ফিভম মায়োকবা হৌরে।

**উধ্যম (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট ইন্দষ্ট্রিজ সেন্তর চান্দেলনা শিন্দুনা ঙরাং খুদৈ খুনৌ কম্ম্যুনিতি হোলদা উধ্যম রেজিস্ট্রেসনগী মতাংদা মীয়ামদা হেন্না খঙহনবগী নোংমগী ওইবা থৌরম অমা পাংথোকখ্রে। থৌরম অদু কেন্দ্রগী মাইক্রো, স্মোল এন্দ মেদিয়ম এন্তরপ্রাইজেস(এম.এস.এম.ঈ) মন্ত্রালয়গী রেজিং এন্দ

এসিলরেতিং এম.এস.এম.ঈ পার্ফোমেন্স স্কিমগী মখাদা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা চান্দেল জিলাগী দি.আই.সিগী জেনরেল মেনেজর টি.ঐচ.বিজয় অমসুং খুদৈ খুনৌ খুলগী চিফ মেরাং মোরুং মরিং শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী বিজয়না হায়-মশানা মশাবু থবক পীজরিবা ওন্তরপ্রেন্যুরশিংনা উধ্যম রেজিস্ত্রেসন তৌদুনা এম.এস.এম.ঈ স্কিমশিং অমদি ফাইনান্সিয়েল ইন্সটিটিয়্যুসনশিংদগী তোঙান তোঙানবা কান্নবশিং লৌননবা ফোঙদোকখি।

**দেঙ্গি (এল)ঃ** মণিপুরদা ঙরাং মীওই ১১ নৌনা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইখি। রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- ইম্ফালগী জেনিমস হোস্পিতালদা মীওই ১৭কী সেম্পল তেষ্ট তৌবদা মীওই ৮ পোজিতিভ ওইখি। লন্নাইগী ওইনা মীওই অহুম তেষ্ট তৌবদসু মখোয় অহুম পোজিতিভ ওইখি। অদুম ওইনমক রিমস হোস্পিতালদদি ঙরাংগী ওইনা সেম্পল অমত্তা তেষ্ট তৌখিদে।

**এরেষ্ট ঃ** লাল কিলাগী বোম পোকখায়বগী থৌদোক্কা মরী লৈননা নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ) না আমির রাশিদ আলি কৌবা কাশ্মির মচা অমা দিল্লিদগী ফারে।

এজেন্সিগী পাউনা হায়-মরাল লৈতবা মীওই ১০ শিখিবা অমদি অতৈ ২৫ না অশোক অপন নংখিবা থৌদোক অদুগী লৌতুনবদা মহাকসু চেন্নে। সুইসাইদ বোম্বর উমর নাবীনা পোখাইহনখিবা কার অদু আমির রাশিদ আলিগী মিংদা লৈবা গারিনি। এন.আই.এ না নাবীগী মমিংদা লৈবা গারি অমসুং ফাগৎতুনা কেস অসিগী লংলা লংজিল ফংবা ঙমবা থিজিনবগী থবক চথুরি। হৌজিক ফাওবদা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা এন.আই.এনা শাক্ষি ৭৩ মচিন হংখ্রে। এন.আই.এ না দেল্লি পুলিস, জম্মু কাশ্মির পুলিস, হরিয়ানা পুলিস, য়ু.পি পুলিস অমসুং

তোঙান তোঙানবা এজেন্সীশিংগা পুন্না কেস অসিগী মতাংদা থিজিন হুমজিনবগী থবক চত্থরি।

**বিহারঃ** বিহার বিধান সভা মীখলগী ফল লাউথোকখিবা নুমিৎ নিনিগী মতুংদা বিহারগী চিফ ইলেক্তোরেল ওফিসর বিনোদ সিংহ গুনজিয়ালনা নৌনা খল্লবা এম.এল.এ ২৪৩ গী লিষ্ট অমা পটনাদা লৈবা রাজভবনদা চত্তুনা রাজ্যপাল আরিফ মোহমদ খানদা খূৎশিন্নখ্রে। মরক অসিদা, বিহার, রাজ্য ৬ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি অমদা পাঙথোকখিবা বিধান সভা মীখল অমসুং মরক্কী মীখলশিংগা মরী লৈননা থম্লম্বা মোদেল কোদ ওফ কন্দক ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা লৌথোকখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসননা কেন্দ্রগী কেবিনেদ সেক্রেটরি অমসুং অতৈ মরী লৈনবা রাজ্যশিংগী চিফ সেক্রেটরিশিংদা চেরোলশিং থাখ্রে।

**ভি.পিঃ** কুমজা ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা ভারতপু চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মেদিয়া ওর্গনাইজেসনশিংসু থৌদাং লৌননবা উপ-রাস্ত্রপতি সি.পি রাধাকৃষ্ণননা তকশিনখ্রে।

হাইদ্রাবাদতা ঙরাং অহানবা রামোজি এক্সলেন্স এৱার্দ ২০২৫ য়েন্থোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী রাধাকৃষ্ণননা হায়-সোসিয়েল মেদিয়ানা তপা তপা লাকশিল্লক্লিবা অমদি অরানবা ঈ-পাউশিং শন্দোকপগী চাং হেনগৎলক্লিবা মতম অসিদা ঈ-পাউগী লমদা থবক তৌরিবশিংনা অশেংবা অচুম্বা পাউশিং মীয়ামদা নিংথিনা ফংহন্নবা হোৎনগদবনি। থৌরম অদুদা উপ-রাস্ত্রপতিনা তোঙান তোঙানবা লম ৭ তা রামোজি এক্সলেন্স এৱার্দশিং য়েন্থোকখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নেসনেল প্রেস ডে পাঙথোকখিবা, পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট শেন্দ্বদা কুকি এম.এল.এশিং য়াওবগী ফিভমদা লৈরে হায়বা পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিং ঙসি ফোঙনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সনালৈবাক পাউচেদা- ষ্টেট লৈঙাকা পাউগী লমদা পীবা খ্বাইদগী ৱাংবা মনা ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ পাউমী ৭ তা লান্থোকখ্রে। অরানবা পাউ খন্দোকবা পাউমীশিংনা এ.আইবু খূৎলাই ওইনা শিজিন্নবা মথৌ তাই হায়না রাজ্যগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সকী দাইরেক্তর ঙাঙোম উট্রমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি । পাউ অসিগা মরী লৈনবা পাউশিং পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল অমসুং মণিপুর মেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর গভর্ণমেন্টকী হিদাক মনাগী পোৎলমশিং থিংবগী খোঙথাং, ওর্দর থোকপদা ঙাইরে, থিংবদি ঙমদ্রি হায়বা পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নবেম্বর ১১ দগী ১৫ ফাওবদা একর ৪৬৭ দা থারন্বা পোপী পান্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাংহনখ্রে, রাজ্য অসিগী ওইনা কাংপোকপী জিলানা পোপী খ্বাইদগী য়ামা থাবা জিলা ওইরে হায়বা পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-বি.জে.পিগী অনৌবা লৈঙাক লাকপদা কুকি এম.এল.এশিং য়াওবগী ফিভমদা লৈরে। কুকি সু গ্রুপকা এম.এল.এশিংগা

উনবদু মপান থোক্ত্রগসু মনুংদদি য়ানবা পুরক্লম্বা য়াই হায়না বেনর হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস এদিসনদসু অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট শেন্বদদি সেন্তরগী লুচিংবশিংনা য়ানিংলে, অদুবু লিদরদি খনদ্রি, হান্নগীদুদি থাজদ্রিঃ বি.জে.পি এম.এল.এ হায়বা পাউ- হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তংদু লৈতাদ্রবা মণিপুরগী শক্তম অসি অমুক্তং শেমজিনবগী থৌদাং লৌমিন্নসি হায়না এম.এল.এ টি.ঐচ সত্যব্রট্টনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম-পোকফমগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

রাজ্য অসিদা ফামুং ৭০ লৈবা নেফ্রোলোজি হোস্পিতাল অথুবা মতমদা হাংদোক্লগনি হায়বা পাউ- পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

জনজাতিয়া গৌরব দিৱস তামেংলোং হেদক্বাতরসকী ঈ.এম.আর.এস কেম্পস ফার্মলেন্দদা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অমসুং ওরেঞ্জ ক্যুইন ২০২৫ গী ওদিসন ঙসিদগী তামেংলোংদা অমসুং হোতেল ইম্ফালদা থা অসিগী ২২দা পাঙথোক্লগনি হায়বা পাউ- গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোঙলি।

অপপাং হায়না মিংথোনবা তামেংলোংদগী থাখিবা তেগ নপ্পা অমুর ফেলকন কিলোমিতর লিশিং ১,৫০০ লান্না পাইথিদুনা হৌজিক উরিষাগী উমং অমদা লৈরে হায়বা পাউ তামেংলোং তাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- কুকি গ্রুপশিংনা টি.ঐচ মুইভাগী পোষ্টর

অমাং অতা থোকহনখিববু লাল্লে হায়জখ্রে, য়ান্না ৱারোলশিং সহী তৌনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

দ চমদা- ভগৱান বিরসামুন্দাগী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখিবা অমসুং অথুবা মতমদা অনৌবা লৈঙাক অমা লাক্লগনি হায়না বি.জে.পি লুচিংবশিংনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম মরুওইবা পাউ ওইরি।

**--পাউ লোইজরে--**